

*“নুপী ওইবীনা নুপাগী মপান তাংবা নঙনা... সমাজ অসিদা মরোমদোম করম হিংগনি।”*

*- হিজম গুন (ইপাম মৈথৌরে)*

## ইশৌ লাংগনু

**—নোংমাইথেম প্রেমানন্দ**

ইশৌ লাংগনু
পূক্লিং ফাথৌ
খোইরাঙ খোইশাওনগনু
নতিন য়োথৌ
চাম্মরক খল্লু।

কৈদৌঙৈদা পাম্লুনু
মীৎকুপ খুদিং
মচু ওনবদো
অতিয়াগী লৈচিলগুম
ওইজবা শিৎকনি।

নুংশি মশুংলাংগীদমক
থৱায় পাম্মুরুনু
কৈদৌঙৈদা শিরোই
ফংগনি অখাঙকনবগী
কান্নবদো মমৈদা।

## য়েংনীংদ্রবা মায়থোং

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মখল মথেল কয়াগী
লৈরাংশিংনা শাৎলিবা
মালেম লৈকোলসিদা।
লৈরাং লৈশক লৈসু
খঙদবা অমখক্লা
লৈকোল অসিগী
নীংথিজবা খুদিংমকপু মাঙহল্লি।
অরেম্বদা মাঙহল্লি
লৈরাংশিংগী হৈনম লৈনম পূম্বা।
তিঙ্খ্ৎতনা য়োমশিল্লবা
লৈরাং কেতুকীগী লৈনমদুনা
ঙাওহল্লি থম্মোয় শোনবা কনাবু।
লৈকোল অসিগী নীংথিজরবা
মশক মতৌ মহৌশা মাগী খুদোলনি।
পীথোরল্লুবা মহৌশাগী
অসুক নীংথিজরবা লৈকোল অসে
মশক থীহল্লি লৈরাং লৈশক
লৈসু খঙদ্রবা অমখক্লা।
লৈখোং অমদগী লৈখোং অমদা
লোৎনা লোন্না চিরোল তৌরি
য়াইতোং ফমদোংবা শাদুনা
লৈকোল লৈরাংশিংগী ইায়ইদা
ওন্না থোইনা ঙাম্থোইরি
য়েংনীংদা য়েংনীংদা
তানীংদা তানীংদা
মতম মাবু ঙাইরি।

## ঐ

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

ঐদি শকউদবা মপূনি
ঐনা পূন্নমক শেম্বনি
পূন্নমক ঐগী কুম্মৈনি
মালেমগী মীওই খুদিং
ঐগী মিং থোনবনি
ঐগী মিংদি লোইবা নাইদে।
অশিংবা শাবা খরনা
মখোয় লাইনি লাৎহল্লি
মখোয় লাই নত্তে
ঐনা শেম্বা মীনি মী
মখোয় ঐগী মিং ৱায়বনি
মিং ৱায়রগা লাই ওইবা হৌনদে।
মীনা মখোয় নীংলবা
মখোয়মুক পঙবা অমা লৈত্রে
লাইরিক তল্লিবা মদু খঙনবনি
মীপূম খুদিং ঐনা থৌদারিবনি
ঙসিদগী ৱাখল খন্থরসি
শকউদবা মপূ ঐবু লাৎনরো।

## খুরুমজবা

**—খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর**

খুরুমজরি, খুরুমজরি
ইধৌ নোংদা লাইরেল পাখংবা
নমৈবু নয়ানা চিক্লিবা
কংলা ফম্বাল ঙাম্থোইবা
কংলৈ ইমা কোল্লিবা
খুরুমজরি ইনিংথৌ
খুরুমজরি মপূরেল।
অয়ূক নুংথিল মীওইবা
নুংদাং অহিং লাইওইবা
লিনগী শাইয়োন ফৈদিকোন
কংলৈ লমদম ঙাক্লিবা
লমখৈ চীংশাং কোল্লিবা
খুরুমজরি ইনিংথৌ
খুরুমজরি মপূরেল।
খোয়দৌ লমদম মালেমগী
ময়োল থম্বাল তোংলিবা
লৈরিক লৈনা চোইহন্দ
ময়োল থম্লা মরক্তা
হাইনা হুম্না পাল্লিবা
নতিক নয়াইনি ইবুংঙো
খুরুমজরি ইনিংথৌ
খুরুমজরি মপূরেল।
লাইগীদি মমৈ মীওইবা
মীগীদি পুকোক লাইওইবা
কংলৈপাক্কী নিংথৌরেল
মীতৈ চাদা নাওদালেন
পীনবীয়ু য়াইফ থৌজাল
খিকথবীয়ু নুংশি ঈরিক
খুরুমজরি লাইনিংথৌ
খুরুমজরি মপূরেল।

## মসিদনি

**—ডা. শান্তিবলা শমুরাইলাৎপম**

মসিবু নঙগী করম্বা ময়াইনো
নঙগী অথিবা শক্তম অমত্তসু
উনা উনা উঙমদে ঐ।
নঙবু মোৎহল্লিবা অমকপা মচৎশিং
খঙনা খঙনা খাঙবসু হৈনরে
নঙোন্দা ঙাউরি ময়ায় কারি
নঙনা শুমলি মীকুপ খুদিং।
নঙগী অশংবা লৌবুকশিং উরুই
নুংঙাই মরাং হৌরি থম্মোয়
নঙগী নিংথিবা চীংশিংনা ঙাল্লি
তগুপ তরেং তনিক তনিক।
ঙমখৈ নাইদর' অতিয়াই মখাদা
ইঙা কুমদমলক ইঙেন কুমখাইরকপা
নঙগী মঙাও থীর' তুরেলশিং
চেন্থরি রজগোয় শার শারদুনা।
ইরোয়ননা শাফু কল্ল' ঈরৈশিং
নঙগী শংবান্নর অতিয়াসু কুপখরে
অমঙবা নোংগী মপৈ মপৈনা
কয়াদি নিংথিজৈ নোংথাংগী মিৎচিদো।
কালেন লৈরাংশিং মোমোন নোকচরে
জগোয় খুথেক তম্মীন্নরি উপালশিং
খুনগী লাইবুংগী পুংলোন তান্থাদা
মালংনা হুমলক্লিবা খোম্থাংগা ইরোইন।
চেক্লা পাইখ্রবনা, পোম্বী হঞ্জিল্লকপদা
চেক্লাগী কাইদোংফম খঙদবনা
পোম্বী ককঙাওনরেদো
শাবি ইনেম্মচা পাম্মুবী।
মসিদনি ঐনা ঙাওরিসে নঙোন্দা
মসিদনি শুমলিবসে ঐগী থৱায় হকচাং
অসুক য়াম্নদি পীনবিরে নঙনা
নীজখিগে অমত্তগা পীনবিয়ু নঙনা
শুন্বীদুনা নঙগী অশেংবা নতম্পাক্তা
পীনবিয়ু নুংঙাইরবা তূমখুল অমখক্তং।

## য়ূম পাল্লুরে অরেম্বদা

**—অথোকপম তোম্বা**

জর্দা মীথা মনা ঐসে
য়ূম পাল্লুরে অরেম্বদা
ঙাঙনরে ঐবুতা মীয়াম্না
চাবসু চাবী ঙাঙবসু ঙাঙবী
শেন্দোংদা পেন্দবা কয়ানি
মহাউদা ঙাওবসু কয়ানি
খোরো খোৎলি ফংদবদা
মিথা জর্দা ঐহাকসে
খঙদে লাইবক ফবী হায়দুরা।
অদুগা করিগীনো মীওইবা
অসুক য়াম্না চানীংলিবা ঐবু
নখোয়না থৱায় য়াওনা চাবদগী
মিথা ঐসু মীৱা তারেদো
চাবদি হেল্লি নুপী ওইবীনা
থোকহল্লি থৌদোক কয়াসু
নোং ঙানদ্রিঙৈ, য়াহৌরকপদা
খজাই তোংনা থোরকই
কেথারকপদসু অদু মঙাই
চিন্দা হৈক্রু উম্বদৌনা
পকচৈ খঙদে পকচদে খঙদে
জর্দা ঐবু নখোয়না চাবীরি।
চাবীদ্রবা ঐবু থৱায় য়াওনা
লেপখিনি শিৎত্রবদি অয়োনবা
মাঙখিনি পুশিল্লক্লোই অরেম্বদা
চাবীগনু চানীংবা নচিন্দুনা
চাদ্রবদি ঐবু নখোয়না
মিথা ঐসে মীৱাসু তারোই
চেন্নরে ঐগী হাক্তক অসিদা
থায়নদগী লৈরক্লবা মৈতৈ মনা
লাই-তীলগী থৌদোক ৱাথোক
মকোক ওইরবা ক্লা তাঙ্গা
ৱাহল্লে মিথা মনা ঐনা
নুংশিবীরনু ঐবু মীওইবা
মিথা মনা ঐহাকসে
ইশা ইদোম মাঙজখ্রগে
কংলৈ মৈতৈ লমদমদগী।

## অঙৌবা চেবাং

**—মোইরাংথেম নিলকুমারী**

চেবাংনি অঙৌবা ইশিন্দ্রিবা
ইশিলহৌরো মকা লাম্লবা
থম্মোয়গী অৱা নুংঙাই শৈশক কয়া।
পরিং পরিং শৈথাহৌরসি
ৱাখল মানা লৈরিঙৈ
মুনি ঋষি কয়াসু উচেত্তা উকুদা
নূংদা হক্লমখি হায়নৈ।
অঙৌবা চেবাংগী চেনাশিং
কপখি-নোকখি পূক্লিং পেন্না
ইহৌদ্রবদি কনানসু খঙলম্লোই
লমায়শিং নুংশিৎকী ইপোমদা হাইদোকই
উহল্লি নুংওন্নবা কয়া চেম্থোরকপনি খূৎশম্নানা
নীংশিংবনা থৱায় হাপ্লি চেনাশিং
তৎখ্রবা মরী মতাগী মতৎ মতৎকী ৱারীশিংবুন।
খূৎশা মঙা মচিন থৌরবা
কলমনা তেংবাঙলি
অৱাংবা লৈপুংনি লৈথোল্লিবা
ৱারী লীবনা অশাংবা ৱারী লীবীবনি
অদুঙৈগী ইপূ ইবেনগী অৱা নুংঙাই
লীবিনবসু লৈররোই
তাবীনবসু ৱাৎলনি
পূন্নমক তেংবাংলি অঙৌবা চেবাংগী
তৎত্রবা পরেং কয়ানা।

# অমঙবা নোংলক্তা

## (হিংনা হিংনা শিরবা মীরক্তুদা পুবিগনু হায়রিবা অইবী অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | অমঙবা নোংলক্তা |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবী | ঃ | মোইরাংথেম মলয়া দেবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | সুমা পব্লিকেসন্স, জিরিবাম |
| পাউদন্নিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**লাইদি** নীংদ্রসু য়াই। পুন্সিদি হিংদবা য়াদে। পুন্সি হায়বসি য়ূমথক্তা হৌবা নাপীদি নত্তে, লৈমায়দা হৌবা পাম্বীনি। পাম্বী অমা হিংহনবদা চঙবা মচাক পূম্বা পুন্সিদা চঙঙি। অদুননি শৈরেং থোক্লক্লিবা, ঈশৈ চঙলক্লিবা, চাক ঈশিংদনা য়ারক্তে। মরমদি হকচাংদি চাক ঈশিংনা হিংখিবা য়াই। থৱায়দি মরোল হেক্তা লোল্লক্কনি, মনীং থুংদ্রগা হেক্তা কপ্লক্কনি। মতাংদুদা লৈরে, শৈরেংগী, ঈশৈগী চন্নফম, কান্নফম। অদুদগী লুরিবা অমনা থৱায়দা নক্তনা কায়গনখ্রবা 'থমোয়' কৌবা পোৎশক অমা লাইনা ঐখোয়দা হাপচিন্দুনা থন্বীরি। মসি কায়দনবা হোৎনবদনি তাইবঙ মীনা পুন্সি চুপ্পা মপুম থীৎপমখৈ ৱাজরিবা। থমোয় মঙোন্দগীনি শৈরেং থোক্লক্লিবা, থমোয় মাননি শৈরেংগী মহাও চুপশিল্লিবসু। মসিদি পাম্বীগী মরানা লৈহাও চুপশিল্লগা, মঙুদা, মসাদা, মনাদা য়েন্থোক্লকপা অদুগুম্বনি। থমোয়না মদোম খক মাঙহনখিদে, হকচাংদা কান্নবা পীথোক্লককই। অদুনা মখোয় অনীনা হিংমিন্নে। অদুনদি শৈরেং পূম্বা অইবা, অইবীগী থমোয়গী মপাউনি, চৈনাখোলনি। পুন্সিগা মরী লৈনদবা শৈরেংদি শৈরেং নত্তে। অদুমক্লা ইংরাজিগী কবি, Robert Bridges না হায়রম্মী, "Every poem is an intimate echo of the poet's life." কয়াদা খঙনা হায়রমখ্রবনো। ক্রিটিকশিংনা অসুম্নসু হায়নৈ, "Even the die-hard Classicists cannot claim to retain complete objectivity or disinterestedness." ৱাফমসি ঐসু য়াজনীংঙি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জবগী মরমদি ঙসি ঐখোয়গীসু অহানবমক নৎত্রবসু পুন্সিবু লুনা লৌজবা, পুন্সিবু মশক খঙনীংবা, পুন্সিবু তাইবঙগা, মহৌশাগা করি মরী লৈনরিগে থিরিবী কবি নুপী অমা ফংজরে। অসুক খৌরাংনা পুন্সিবু য়েক্লবা হোৎনবদি নুপীলক্তদি অইবীসিগুম ঐদি থেংনখিদ্রি, ঐখোয়গী ওইনা। ওন্থোক্লা মায়কৈ চুম্না চঙশিল্লকখ্রে। মহাক কনাসু নত্তে, নৌনা শাফোঙলক্লিবী, নোংচুপ মায়কৈগী খূৎ থেকপদা য়াওরদৌবী জিরি লমদমগী অইবীনি, মোইরাংথেম মলয়ানি। অহানবা খূৎথানি, অদুবু কাংখুল মুৎলরোই। শৈরেংদি ৱাহৈ লীক্কদবনি, শৈরেংদি ৱাহন্থোক অনী পুবা ঙমগদবনি, শৈরেংদি মচেক্লা-ময়ানা য়ৈগদবনি, শৈরেংদি অচুম্বা থিবনি। পূন্নমকসি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনরি ইবেম্মসিনা। ৱাহৌদোক্তা ঐখোয়গী শক্লাইরবা কবি, লনচেনবা মীতৈনা, ওন্থোক্লা ফজনা ইবিরি। মসিদা পারবসু লাইরিকসি মমল লেপ্পা য়ারবনি। কবি অসিনা ইরি, মলয়াগী শৈরেংশিং অসিগী মতাংদা অসুম্না, “অহানবা খূৎথানি, অনৌবা মহাওনি। লেপ্তবা পুন্সিগী ঈচেলসিগী তোরৈ তুথুপ খুদিং থেংনরকপা অইবীগী পূক্লিং ৱাখল অমসুং থম্মোয়গী মপাউ কয়াবু ৱাহৈগী লৈনানা য়োমদুনা শেম্লকপা, পূক্লিং হূবা শৈরেংগী নাচোমনি।” হায়রিবা অসিমক চুম্লবনি। মলয়া শৈরেং ইবা পকচরে হায়নীংঙি।

হেক্তা য়েংবা য়াই। ঙসিগী ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী ফীভম অসিবু নাকোইননা মচেক্লা য়ৈদুনা য়েক্লি অসুম্না, “নোং তাদনা/ঈচাউ থোক্লি/অকায়বা ৱাদা/ঈশিং চঙলক্লি/... মচেৎ তারগদ্রা তোর্ব্বানবু/লূপখ্রদরা য়ূমসিবু/ইপা-ইপুই/ইংখোল চাইগোইনুংসে।” (লৈরায়, লা: ৫) ৱাহৈ খরসিনা চাউরবা ৱাহন্থোক পীরি, এনালোজি ওইনা। অমুকসু অচুম্বা ফংদ্রবা খুন্নাইসিগী মশক য়েকপদা অইবীনা শীজিন্নরিবা সিম্বল য়েংবা য়াই। মানা হায়, “খূৎনাং চারবা/চোকথরবা হকচাংনি/ৱায়েলশঙগী ভগবত/গীতানি, গীতা/কপ্লি থম্মোয় শোক্লা।” (কপ্লি, লা: ১৩) অনৌবা সিম্বলনি, মরীক চুম্মী। ৱায়েলশঙদা গীতা পায়দুনা ৱাশক্তবা কনাবু য়াওবগে, অদুবু কনানা অচুম্বা কয়াম ঙাঙখ্রবগে? ৱাহংদুনি ফোঙদোক্লিবা। অমুকসু করপসন্না হারবা খুন্নাইসিবু নাকোইননা চৈরি, লায়থুং পক্লবনি হায়রি। লায়নাদি লৌনগনবনি। অদুবু মানা হায়, "AIDS নত্তে, HIV নত্তে/ঈদগী নত্তে লৌনরিবা/মসিদি খূত্তগী লৌনবা লায়নানি।” (লায়না, লা: ১৭) অইবীনা হায়রি- লায়না অসি ঙসিদি খুন্নাই থুংখ্রে। অদুনা ওইরে লায়চুরবা সনা লৈবাক। হায়বা য়ারবা ৱানি। অমুকসু হায়রি অইবীনা, লায়না পক্লবা ইরমদমসে লৌপুবু য়োংনা তানবগী ফিভমদা লাক্লে, অদুনা লৌপু চেকশিল্লু হায়না। অইবীগী ৱাহৈদা, “চেল্লু হে লৌপু/তান্নজরক্কনি য়োংনা/নমিৎ-ননা শিংঙু।” (লৌপু, লা: ২৭) চুমখ্রবা ৱানি হায়রিবসি।

মসি ফনা হায়দুনসু অইবীনা মশাগী পুন্সিবু খক কাউথোক্তে। অইবীনা নোংমদি শিদৌরিনিকো হায়বসি কাউবা লৈতে। অদুনা মানা 'অশিববু' তাথী, নুংশিদে, মানা কৌবা তাশিন্নদে। অদুবু শেংনদি হায়জৈ, “করিগুম্বা ঐবু তাননবা কৌরক্লবা/তারক্লবদি নোংমা/নতুং ইনগনি/শোয়দনা।” (নোংমা, লা: ৩৩) নাম্থোকপা য়াররোইদবা নোংমদুনি ঙাইনরিবা। মসি খক কাউদে অইবীনা। ফজৈ হায়নীংঙি। পুন্সিবু লানফমনি হায়বসু মহাক কাউদে। অদুবু মায়থীরবা লাম্মী ওইনা হনবদি পামজদে। অদুনা হায়রি, “লাম্মীনি ঐসু লাম্মী/লানফম ময়াইদা লেপ্লিবা/... অরোইবা য়াহিপ তান্দ্রিফাও/হিংবগী লানফমদা/শোক্লখিনি লান।” (লান, লা: ৪৬) অইবীগী থম্মোয়গী ৱাহৈসি পঙহায় হায়জিনবা নত্তে, মুন্না খল্লগা চীন কাঙলকপনি। অদুনা অইবীগী কল্পনাগী মপাঙ্গল শোঞ্জরবসু মশাগী ওইবা, অপিকপা তাইবঙ অমা শেমগৎচরম্নবা কন্না হোৎনরি। মসিবু মানা ইরি অসুম্না, “মথৌ লাক্লবা তক্লি/হন্না হন্না/ময়া পংলবসু থাঙশাংসে/পিক্লবা লৈকোল অমা/শেমগে খল্লি/থাগে থিরি লৈখল।” (ময়া পংলবসু থাঙশাং, লা: ৪৫) অদুননি অইবীনা শৈরেংগী মতেং লৌরক্লিবসি।

অইবীনা পামজদে, হিংনা হিংনা শিবা, মানা পামজৈ শিনা শিনা হিংবা। অদুনা মাগী কলম্না মাবু চুম্না লমজিংবীয়ু হায়রি। পুন্সি লম্বীদি চৎতবা য়াদ্রি। অদুবু মাগী ৱাহৈনা মাবু লান্না লমজিংহন্দে। অদুনা হায়, “কদোমদনো ঐগী পম্থুং/নঙনা চিংদুনা পুরিবা/হিংনা হিংনা শিরবা/ঐবু পুবীগনু মরক্তুদা/শিনা শিনা হিংলিবা অহিংবশিং/চৎলসি মফমদু য়ৌনা।” (লম্বী, লা: ৪৪) মসিনা অইবীগী পান্দম্নি তাল্লিবা। মরকসিদা অইবীনা য়াম্না ৱাজবা অমা লৈরি। মদুদি মাবু পোকপীবগী, মানা নাউথি শাজরকপগী, পলেমগী, পোক্লফমগী লমনদি তোন্দুনা শীনিংদ্রি। শিবনা হাল্লদ্রা ৱাজরি, লমনগী মথক্তা লমন তোন্দুনা চৎলদ্রা পাখৎচৈ। অদুনা নোংপোক ওন্দুনা মমা লমদম য়েংলকই, চীংলোন মাপলনা খলখ্রবসু। মাগী থৱায়না উরকই, মমা লমদম্বু লাইরেম্বী অমা ওইনা। মথ্বায় হাপ্লকই অইবীনা অসুম্না, “খ্বাংচেৎ খ্বাংগোইননা/অকি তুজুং লৈতনা/মৈরা পায়দুনা লেপহৌই/শল্লাং ইফা ফা/খূত্তা থাঙশাং পায়দুনা/লানফম ময়াইদা লেপহৌই।” (লাইরেম্বী, লা: ৬০) ফজবা ইমেজরী অমা শাগৎপা ঙম্মী হায়নীংঙি। অদুগুম্বা ইমা লাইরেম্বীদু নোংমনা চেঙহী শম্বাল লাংদুনা নুংঙাইনা লৈবা উই কবিগী মিৎফমদা। অদুনা অমুক হায়, “অয়ুক্কী মবেম্মা লাইরেম্বী/ঙাওরবা ঈচেল্লক্তা মোমোন/... চেঙহী শম্বাল লাংহৌই/লৈচিল তুরেল ঈয়ায়দা।” (লৈচিলগী তুরেল, লা: ৬৩) কল্পনাগী অয়ৌবী থাক্লি। ফজৈ হায়বা য়াই। অদুনা অইবীনা মমা লমদম্বু থেমজিল্লকই অমুকসু। খোঞ্জেল থোক্লকই, “মাঙখ্রবসু মনি কয়া/হল্লকখিনি নোংমদি/তৈথোক্লো পিরাংদো ইমা/নোকপিরো ইমাগী/মোমোন মীনোক্তো।” (ইমাগীদমক, লা: ২৬) অদুগা মানা পোকচরিবা জিরি লমদম্বুনা অসুম্না শৈথারি, “চীংলোন মাপলনা খল্লদুনা/নাইতোম তানা লৈরিবা/...নোংচুপ থংবা চীংয়াসে/চীক্লা ঈংনা লৈরিসে/জিরি লমদমনি, লমনুংশি।” (জিরি, লা: ৩০) কয়াদা নুংশিনা শৈথাখ্রবা। পাদবা ঙমদে, থম্মোয়গী ৱা।

শৈরেং ৬১ য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং পুরিবা 'অমঙবা নোংলক্তা' হায়বা শৈরেং অসিদি লৈরাং লৈকা অমদা তাইবঙপান উবা তম্মু হায়বদুমক্লি। ইচম চম্না নোংথি-নোংমংবা নুমিদাং অমগী শক্তম য়েকপনি। অদুবু তাইবঙ মপূগী ঙক্লবা খূৎশেম অমা উবা ঙল্লি। অৱা-অনা কয়া লাল্লগা ঈং-তপ্পা মপোক অমা লৈরি হায়বা উৎলি। অহোংবা কয়া অরাংবা কয়াগী মনুংদা হোংবা নাইদবা অমদি লৈরি হায়বা ৱাংউলোন অমা পীরি। মসিদি Metaphysical point of view গা চানরি, 'Change implies an underlying entity হায়বদুমক্লি। লৈমায় লৈতনা তুরেলনা চেনবা ওইথোক্তে হায়বদুনি। অইবীনা হায়রি, “অতিয়া ঈপাক্তি/লংলবা থৱাম্নিচাক্লা/শান্নরম্মী থাজগা/কুফেৎ কাফেৎ/অমঙবা নোংলক্তা।” (লা: ৭) অইবীনা হায়রি, অমঙবা নোংনা খক মাঙহনবা ঙল্লোই, মপান নাইদবা অতিয়াগী ফজবা। ফজবা শৈরেংনি হায়নীংঙি।

য়ামখ্রে, লাইরিকসিদা মলয়ানা শৈথারিবা। জননেতাগী, এম কে বিনোদিনীগী, পাউনাগী, চীংলেনস্নাগী, অদুগা লমগী মনুংদা জিরিগী, খ্বাইরাকপা ঈরেলগী, বরাক্কী, নম্বুলগী কয়া কয়ানি, থমোয় য়াৱা ফোঙদোক্লি। নুংশিবা কয়া নীংঙমদবা কয়া। অদুগা লোয়না লোয়ননা অইবীগী মশাগী থমোয় ইহুল পকপা থৌদোক ৱাথোকসু থেৎচিল্লি। মানা পেন্সন ফংবদা মানা ফল্লম্বা চৌক্রি থাদোক্লম্বদা, তিন্নরম্বা ষ্টাফ মেম্বরশিং কায়নবদা নুংঙাইখিদবা কয়াসু পাউদন্লি। অদুবু অইবীনা তাইবঙ কুম্মৈদা লাঙলুরবসু তারমদাই নুমিৎ উবদদি অসুম্না হায়রকই, “থাংলিবা খোঙথাংসু অমম্বদা/তিংথোক্লিবা খূৎসু অমম্বদা/ঙাইরুবনি অমম্বদা/থিরুবনি অমম্বদা।” (ৱাহং, লা: ৭০) অচুম্বা ৱানি হায়নীংই।

# মৈগী চীং -৩

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

**নোংমা** নুমিদাংৱাইরম অমা শকহেনবীদুনা ঐবু কৌরকই। ঐনা নাপল তৌনা খল্লুই ঐগী নুপা থোকপা ইতৌসি মা পাল্লক্লে। ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফজবা শুটতু শেৎলে, শম ফজনা হাৎলে অদুগা করিমত্তা চিংনবা লৈতনা মাগী মমাঙদা ফম্লুরে। মানা ঐবু মাগী লাংদা থুরে হায়না খল্লবদি ঐনসু মাবু ঐগী লাংদা থুনবা হোৎনগনি। ঐনা মফমদুদা য়ৌবদুদা মাগী শুমহৎপী মীনোক্তুনা ঐবু তরাম্না ওকই অদুবু মায়থোংদু মকা কয়া লামদে। ঐনা লাংতক্লনা হংই - 'ইবেম্মা, হকচাং করিসু থোইদোকপা তৌদেকো।'

মানা য়াম্না নীংবা কায়বগী খোম্থোক্তা হায়রকই - হোয়, থা অমরোমসি অরুবা লায়না অমনা নারক্লি। হৌজিক ফাওবদি ঐনা হেঞ্জিন্দনবা কন্না হোৎনরি অদুবু অনাবসি সুম-সুম হেঞ্জিল্লক্লি। মসিগী হীদাক্তি নুংশি হৈতবা মীওই অমগী মনাক্তা লৈ। মা নুমিৎ খুদিংগী ঐনা লাংতক্লবসি উরিবনি অদুবু নূংগুম কল্লবা থম্মোয়দু খজিক্তা ফাওবা থোৎপা কৌবা লৈতে।

ঐ মানা পীরিবা ইঙ্গিৎতু খঙলে, ইশাদা মৈনা চিংবগুম ফাওরকই, শ্বর মপী হোল্লকই। থম্মোয়দা ঈরাং হৌরকই,

অকিবা য়াওদনা ঐনা হায় - 'অদোম্না থম্মোয় কল্লি, নুংশি হৈতে হায়রিবা মীদুনসু অদোম্বুসু অদুম্না খল্লম্বা য়াই, কিজবদগী হায়বা ঙমদবা ওইরমগনি।'

শকহেনবীদুনা হায়রকই - 'অদু ওইরবদি মায়কৈ অনীমক্কী অৱাবসি কোক্লবা উপায় অমা থিবিরোদনা। নুংশিথোইবা! ঐ হৌজিক ঐগী থম্মোয়গী মৈসি লোৎশিনবা ঙমদ্রে। ঐগী লৈজবা পূম্বা নঙোন্দা কৎলবনি, ঐগী পুক্নেসি কৈদৌনুংদসু হাংলরোইদবনি। নহাক্কী মীংচৎ উরোং খিনবা ঙম্নবা পাম্বেসু ঐঙোন্দা লৈ। ঐনা মালেম পূম্ববু নঙগী খুয়াদা কুলহনবা ঙমগনি। লাকপীরো, ঐবু কোনবীররো, থম্মোয়গী মৈচাকসি কোকহনবীরো।

নুংগী মৈচাক্লা মৈৱাইদুনা শকহেনবীদুগী মায়থোংদু অমুক্তা হেন্না তঙাংলে। ঈরাংনা মথোয় কারদুনা মখূৎ অনীদু তিংথোক্লদুনা ঐগী নাক্তা চঙশিল্লক্লে। মাগী মমিৎতু মৈরী থোকপগুম ঙাংই। অদুবু মৈশা ফংবদা তাইবঙ মীওইবনা তুংহন্নবগুম মাগী মতৌদুদা ঐ খোঙফম অমা অনী তুংদা হন্দোকই। মাগী নুংশি ইখৌ লাংবদু উবদা ঐ অকিবা অমা পোক্লে। ঐগী থম্মোয়সি শকখঙদবা চিংনবা অমনা অকিবা ফাওহল্লে। শকহেনবীদুনা ঐঙোন্দা মৈবুলগুম লংলবা মমিত্তুনা য়েংলদুনা অশাওবা খোম্থোক্তা হায়রকই - 'অদুক য়াম্না কিরিদু করিগীনো?

- ঐদি নহাক্কী নখাদা থবক তৌবা মীনি অদুক য়াম্না চাউবা ইকায়খুম্নবদু ঐ ঙমজরোই।

- অদোম্না হঙ্গোইবীরমগদৌবা মাল্লে।

- নত্তে, নত্তে মদু হায়মল্লে। ঐদি নহাক্কী খোঙয়াগী উফুলগুম্বনি। অদোম্না মৈরিনি ঐনা মৈরানবীনি, ঐনা হায়জগদবা হায়ববু অসিখক্তনি।

শকহেনবীদু নীংবা কায়বা অমদি শাওনীংবগা লোয়ননা ফমথখ্রে, অদুগা হায়রকই - “তশেংনমক অদোম মীনুংশি হৈতে, ঐনা খল্লম্বগা ওন্নরে। হৌজিক ফাওবা লান্না থাজবদগী নাম্থোক্ত্রি, লাইরিক অমদি লমচৎ ফজবগী লিপুন্দগী নাম্থোক্ত্রি।” ঐ থুনমক মফমদু থাদোক্তুনা ঐগী কাদা লাক্লে। ঙাইহাক শ্বর হোন্দোক্লবা মতুংদা ঐনা খল্লকই, ঐদি মৈনুংদা তারমগদৌবদগী শম্নাদা লিৎহৌরে। শকখঙদবা ইথিল অমনা ঐগী মতেং পাংখি, মদু করম্বা ইথিলনো খঙদে।

ঐনা লৈরিবা কাদুগী হেক মায়োক্লবদা পাৎকী ৱাংমদা অপীকপা খাঙপোক অমা লৈ। মদুদা অহল অমা লৈ। মখ্বাংদু কোল্লে অদুবু মায়থোংদুদি মঙাল লৈ। মা মরক-মরক্তা কোনুংসিদা লাকই। করিগীনো খঙদে শকহেনবীদুনা অহলদুবু হৈনদে, মপূক্লিংদা অকিবসু খরা পোকপা মাল্লি। মাবু হেক উবদা পাখৎনা উই, করিগুম্বা অরোনবা খরা হায়দোরক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবা মাল্লি, মাগী মতৌদু উবদা ঐসু লাংতক্লবা অমা ফাওই। মাগী মরমদা ৱারী কয়ারক শাখ্রে। অদুবু মঙোন্দগী লাপথোক্লবা হায়, করিগুম্বা অহলদুগা ঐগা ৱারী শান্নবা উখ্রবদি মা পিশুম শুক্তুনা শাওই, নুমিৎ কয়ানি ঐবু কৌনীংবগুম কৌনীংদবগুম তৌই।

নুমিৎতুগী অহিংদু ঐ থেংলবা ফাওবা তূম্বা য়াদ্রে, ৱাখলগী লংলা লংজিন থিবা খঙদ্রে। করিগুম্বদসু মিৎ-না চেজেৎ উইশিল্লগা মাগী নুংশি লৈহি চুপনীংলুই। তাইবঙগী নুংঙাইবা পূম্বা ফংলগে, থোকনীংবা থৌদোক থোক্লসনু, পুন্সিদা মসি অমুক হন্না ফংগদবা নত্তে খল্লি। অদুবু খল্লু-খল্লুরগা ইথন্তা তুক্কচবা হঙ্গোইবা ফাওরকই।

পুং ১০মুক তারম্লগনি। খঙহৌদনা ঐগী কাগী থোঙদু মথন্তা হাংদোকচরকই, মগুণ লৈবা অহলদু মনুং চঙলকই। ঐগী মপূ ইবেম্মবু কিজবদগী ঐ মাগা তোয়না উন্নদে, মাগী মায়থোংদু ঈংই, তপ্পী, মাগী মওং মতৌদু য়াম্না নুংশি, মাগা ৱারী শান্ননীংবগী ৱাখল ফাওই। ঐনা হৌগৎতুনা মাবু ওক্লে অদুগা চৌক্রি অমা পুরক্লগা মাবু ফমহল্লে। মানা ঐঙোন্দা তৌবিমল খঙবগী মওংদা য়েংলদুনা হায়রকই - ঐ লাকপনা নঙোন্দা অয়েৎপা ওইদেকো।'

ঐনা ইকোক নোন্দুনা পাউখুম পী- 'নহাক্কুম্বা মী উন্নজবা ফংজবসি ঐগীদি লাইবক ফবনি।”

অহলদুনা য়াম্না ঈংনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই - 'ফরে, অদুদি নমিৎ-ননা শিংউ, ঐ নঙবু মাঙজৌননা পাউ পীবা লাক্লিবনি। নঙ অচৌবা খুদোংথীবা অমা মায়োক্লগদৌরি। নঙগীদমক্তদি মফমসি থাদোক্লগা চৎখিবা নক্তনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বে অমত্তা লৈতে, মফমসি থাদোক্তুনা থুনা চৎখ্রো। ঐনা হায়বসি ইন্দ্রবদি নপুন্সি চূপ্পা ৱাবা শোয়দে, নঙ মায়াগী তাইবঙসিদা থুবা তাবনি। ঐগী খাঙপোকসি নঙগী হেক মিৎমাংদা লৈরে। ঐসু মরক-মরক্তা লাকই অদুবু নঙনা ঐবু উন্নবগী খুদোংচাবদু লৌনীংদে। অহানবা নুমিৎতুমক্তদা ঐগা উন্নরম্লবদি মী লিশীং কয়াবু অৱাবা তাহনবদগী কল্লম্বা য়াবনি, পাপ ফংহল্লমদবা য়াবনি। তশেংনমক নহাক্লা তৌজরুবা থবক্কী মহয়না ঙসি ঐনা নঙবু কনগদৌরিবনি। করিগুম্বা হিংচাবীসিনা নঙবু নুংশিবা শাদুনা কোল্লম্লবদি খুদক্তুদা নঙবু মানা মাগী অঙকপা অরোনবা কাদুদা থমখ্রদৌবনি। মানবু মিৎয়েং তাখ্রবা, মফমদু য়ৌবা শোয়দ্রে। মসি মাগী নুংশিবনি। চৎলো মফমদুদা চৎলুসি অদুগা মতৌ করম্না নঙনা খুদোংথীবদুদগী ঙাকথোকহৌবগে হায়বদু য়েংউ। মসি হায়রগা অহলদুনা ফক্লাংদা লৈরিবা স্বিটচ অমা নমই। খুদক্তা থোঙজাও অমা উরক্লে, মদুদা মখাদা কুমথনবগী সিড়ী অমসু লৈরি। অহলদু মদুদা চঙখ্রে অদুগা ঐবুসু কৌরকই। মমখ্রবা মরক্তুদা থাক কয়া কুমথরবা মতুংদা কাজাউ অমা উরক্লে। মদুদা থাউমৈ অমা মুশি-মুশি ঙাল্লি। মদুদা উরকপা তুক্কচনীংঙাই ওইরবা দৃশ্যশিংদু নীংশিংলুবদা ঙসি ফাওবা তু চুংই। ইটালিগী মমিং চৎলবা কবি 'ডান্টে'গী শৈরেংদা নরক্কী মরমদা শৈথাবদুদগী হেন্না কিবা অমদি তমথীবা ফীভম ওইরবা হকচাং কয়ানা হঙ্গোইনীংঙাই ওইরবা ফীভমদা লৈমায়দা হিপ্পুনা নাহেরি। মখোয়গী মশাদু মীওইবনি অদুবু মায়থোংদি নত্তে। খরনা হুই মাল্লি, খরনা লিন মাল্লি। মফম অমদনা অনোয়বা নুপা অমনা ময়াং কংবা নুপা অমবু কোনশিন্দুনা মঙক্তগী ঈ চুপলি। অমরোমদনা লংজা মকোক পানবা মী অমনা অপূম্বা হকচাং অমদগী শাদোং ফক্তুনা চারি। অমরোমদনা লাইরেনগী মকোক পানবা নুপা অমনা অঙাং নুপামচা অমবু য়োৎকদবগী হোৎনরি। অদুবু অঙাংদু মাগী মখনাওদা পন্দুনা লৈরি। মখোয় অনীমক লৈমায়দা ফ্রিং-ফ্রিং চোঙদুনা লৈরি। মফম অমদনা লিন মকোক পানবা নুপী অনীনা য়াওগী মকোক পানবা নুপা অমগী মশাদা য়েৎশিন্দুনা চিক্লি। নুপাদুনা অনাবা খাঙদুনা লাউরি। ঐ মদু য়েংবা ঙমদ্রে, মফমদুদগী লৈজবী থাদুনা চেল্লক্লে, ঐগী কাদু ফাওবা য়াম্না ৱানা চেল্লক্লে, ঙাইহাক শ্বর হোন্দোক্লে, অহলদু ঐগী নাক্তা চঙলক্লে।

ঐনা পাখৎপা, কিবা খরা ফরকপদুদা অহলদুনা হায়রকই - অসুক থুনা নীংহন্নরবা মসিদি শরুক অমখক্তংনি, মাগী অরোনবা শক্তমদি য়ামখ্রে, মফমদু নঙগী নবেম্মগী হরাউ মথোই কাফমনি, পূন্নমকসি মাগী অয়োকপা থৱায় পানবা ঙাক্তনি। থৱায় পানবশিং অসিগী তমথীবা কুম্মৈ অসি য়েংবদা মাগী নুংঙাইজবা হায়বদু ওই। মখোয়শিংদু মতম অমদা মাগী ঈথক-ঈরাংগী শাগোন্নবা মীওই ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি মখোয়গী ফীভমসি ওইরে। হৌজিক ঐনা নঙোন্দা পীগদবা পাউতাক হায়ববু শকহেনবীনা অনীরকশুবা ওইনা হোৎনরকপদদি নঙ নাম্থোকপা শুকঙম ঙল্লোই।

অসি হায়রম্লগা অহলদু মশক উখিদ্রে। ঐ খুদক্তা পোৎ য়োমশিল্লে, অহিং নোংয়াইগী অচিকপদুদা হুরানবগুম কাদুদগী তুমিন্না থোরক্লে। নামিবা নুংশিৎসু লিরি-লিরি শিৎলি। মাঙদা লৈরিবা ঈপাক্তুদা থৱানমিচাকশিংগী মমি তগুপ-তরেংনা তারি, মেহন্দিগী নুংশিবা মনমসু হুন্লক্লি। ঐ থোরকপবুদি থোরক্লে অদুবু তাইবঙগী নুংঙাইবা ময়ামদু থাদোক্লম্বগী নুংঙাইতবদুমদি ফাওরি। অহলদুগী পাউতাক তারবা ফাওবদা থম্মোয়দি শকহেনবীদুগী মনাক্তা চিংশিল্লি। ঐ কয়ারক থোরকই, কয়ারক হঞ্জিল্লি অদুবু মমৈথংদা থম্মোয়না ইন্দ্রিবু খুদুম চল্লে। ঐ লম্বী অচুম্বদা চৎত্রে, পাৎপানগী লম্বীদা তুরোই-ঙাল্লোই, লৈখোম-লৈনাং মরক্তা চত্তুনা সরক অচৌবা য়ৌরক্লে। মফমদু য়ৌরকপদা লংজাগী খুবামনুংদগী নাম্থোক্লবা উচেক্কুম হায়ফম খঙদনা হরাউবা ফাওরে।

ঐ থা অমগী মতুংদা হল্লক্লিবনি। অদুবু ঐ ঐগী ফমুংদা হিপ্পুনা লৈরম্মী। কাদু উফুল মরিক অমা ফাওবা থাংদে। ঐনা মীশিংদা ৱারীদু লীবদা ময়াম্না নোকই, ঐগী ইমান্নবশিংনা ঐবু 'প্রাইভেট সেক্রেটরি' হায়না কৌদুনা করেম্নে। ময়াম্না কাদগী মিনট অমফাওবা মপান থোক্তবা নঙনা কদাইদগী থা অমা মাঙদোইনো হায়। মরমসিনা উপায় লৈত্রদুনা ঐনা মসি শোয়দনা মঙ ওইগনি হায়। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ঐবু অসিগুম্বা পাপকী কোমনুংসিদগী কনবীবগীদমক তাইবঙ মপূবু হন্না হন্না থাগৎচরি। মঙবুদি ওইরম্বা য়াই অদুবু মসি ঐনা ঐগী পুন্সিগী অশেংবা থৌদোকনি খল্লি। মসিনা ঐবু তুংগী পুন্সিদা মীৎ-না শিংহল্লে।

-হিন্দীদগী হন্দোকপা

—লৈমপোকপম বেদান্তী